# ৱেষ্ট বেঙ্ককী রেইদ মতুংদা সিনাগোক্তা এটেক তৌদুনা ইজরেল্লি ৭ হাৎখ্রে, পলেষ্টিনিয়নশিংনা সেলেব্রেসন তৌখ্রে

জেরুসালেম, জনুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

চহী ২০ মুক্কী মনুংদা ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা খ্বাইদগী শাথিবা রেইদ চথখ্রবা মতুং মথঙগী নুমিৎতা জেরুসালেমগী চিদাইদা লৈবা সিনাগোক অমদা পলেষ্টিনিয়ন গনমেন অমনা এটেক তৌদুনা ইজরেল্লি তরেৎ হাৎখিবগা লোয়ননা ইজরেল অমসুং পলেষ্টাইনগী মরক্তা উংখৎনবা মখা তানা হেনগৎলক্লি।



পলেষ্টিনিয়ন গনমেন অদুনা ইজরেল্লিশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা চথুখিবা এটেক্তা মীওই তরেৎ শিবগা লোয়ননা অতৈ অহুম অশোক অপন নঙখি। গনমেন অদুবুসু পুলিসনা কাপ্পুনা হাৎখি। এটেক অদু গ্রুপ নত্ত্রগা মীওই অমত্তনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌরকপা লৈত্রবসু ইন্টরনেসনেল হোলোকোষ্ট রিমেম্ব্রেন্স ডেদা থোক্লিবা থৌদোক অদু ৱেষ্ট বেঙ্ককী জেনিন রিফ্যুজি কেম্পতা ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা চথুখিবা এটেক অদুগা মরী লৈনরমগনি হায়না চিংনখি।

ইজরেল অসি মালেমগী অমত্তা ঙাইরবা জিৱিষ্ট ষ্টেটনি। ইজরেলনা হৌজিক কন্ট্রোল তৌরিবা লম অদুদগী হৌরক্লিবা আরব কাঙলূপ অমা ওইরিবা পলেষ্টিনিয়নশিংনা টেরিটরি অদুবু পলেষ্টাইন হায়না কৌবগা লোয়ননা মিং অসি লৌদুনা ষ্টেট অমা লিংবা পাম্লিবনি। সিনাগোক্তা চথুখিবা এটেক অদুবু ইজরেলনা টেররিষ্টশিংনা চথুরকপা এটেকনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং এটেক অদুগী সম্পেক্তিতি মশাগী চহী ২১ শুরবা পলেষ্টিনিয়ন রেসিদেন্ট অমনি হায়বা ফাওবা লাউথোকখি। অদুম ওইনমক পিষ্টোল অমা শীজিন্নদুনা চথুখিবা এটেক অদুগী পান্দম করিনো হায়বসিদি খঙবা ঙমখিদে।

ইরাই নুমিত্তা ইজরেল্লি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা সিনাগোক অদুদা চৎতুনা ফিভম য়েংশিনখি। সিনাগোক অদু কুমজা ১৯৬৭ কী মিদ্দল ইষ্ট লান মতুংদা ইজরেলনা জেরুসালেমদা নমদুনা তিনশিনখিবা মফমনি হায়রি।

জেরুসালেমদা লৈবা সিনাগোক্তা নোংমৈগী এটেক চথুখিবদু ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী জেনিনদা লৈবা রিফ্যুজি কেম্প অমদা ইজরেল্লি মিলিটরিনা রেইদ চথুদুনা পলেষ্টিনিয়ন মাপন হাৎখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তনি। মদু চহী ২০ লোমগী মনুংদা ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি মিলিটরিনা চথুবা রেইদ অমখক্তা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিখিবা থৌদোক্নি। নোংমৈগী এটেক অদু য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কননা ইজরেল অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্ককী খোঙচৎ অমা পাঙথোক্নদবা নুমিৎ খরনিগী মাঙওইননা থোক্লক্লিবনি।

চহী অসিদা রাইট-ৱিং গভর্ণমেন্ট অমগী মকোক ওইদুনা অমুক হন্না লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবা পিএম বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা নোংমৈগী এটেক অদুগী মতুংদা মহাক্না সেক্যুরিটিগী মতাংদা খন্নদুনা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা ৱারেপ লৌরে হায়না লাউথোকখি।

অমরোমদা, মহাক্না মীয়ামদা ইংনা চিক্না অমসুং পুক্নিং ফাথনা লৈনবা অমদি ভাইওলেন্সকী মতাংদা লোগী ওইবা খোঙথাংশিং লাকপা ঙাইনবা আপিল তৌখি। গাজা ষ্ট্রিপকী মফম কয়াদা পলেষ্টিনিয়নশিং পুন্দুনা জেরুসালেমগী এটেক অদুগী মতাংদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লেখি। পলেষ্টিনিয়ন খরদি অহাও অথুমশিং লৈদুনা মীয়ামদা য়েন্থোকপা ফাওবা য়াওখি হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

দাউনটাউন গাজা সিটিদা জেরুসালেমগী এটেক অদুগা মরী লৈননা নোংমৈ কাপ্পুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লেখি। ৱেষ্ট বেঙ্ককী তোঙান তোঙানবা টাউনশিংদা পলেষ্টিনিয়নশিংনা বোম্বুলা থাদুনসু সেলেব্রেট তৌখি।

# পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা পি টি আইগী লিদর ইমরান খানগী সেক্যুরিটি ৱিথদ্রো তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, জনুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

ইস্লামাবাদ পুলিসনা ইরাই নুমিত্তা পাকিষ্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গী চিয়ারমেন ইমরান খানগী ফেদরেল কেপিটেলদা লৈবা য়ুম বানিগালাদগী সেক্যুরিটি ৱিথদ্রো তৌখিবগা লোয়ননা খাইবর-পাক্তুনখুৱা (কে-পি) গী ক্যের টেক্কর গভর্ণমেন্টনসু পি টি আইগী চিয়ারমেন ঙাক শেল্লিবা কে-পি সেক্যুরিটি পর্সনেলশিং লৌথোকখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।



ইমরান খাননা হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং পাকিষ্টান পিপল পার্টি (পি পি পি) গী কো-চিয়ারমেন অসিফ অলি জর্দারিবু টেররিষ্ট আউটফিট অমদা মহাকপু হাৎননবা কন্ট্রেক্ট পীদুনা লৌতুনবগী থৌওং অমা চথুরি হায়না মরাল শিবা লৈরিঙৈদা হান্নগী পিএম অসিগী সেক্যুরিটি ৱিথদ্রো তৌবগী খোঙথাং অসি লাকপনি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুন পাউচেগী রিপোর্টনা হায়রি।

লাহোরদা লৈবা মহাক্কী জামন পার্ক রেসিদেন্সতগী ভিদিও লিঙ্ক অমগী খুথাংদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা খাননা 'প্লান-সি' হায়বা লৌতুনবগী থৌওং অমা চথুদুনা মহাকপু হাৎনবা হোৎনরে হায়খি। মহাক্না জর্দারিবু এসাসিনেসন এটেম্প অদু পাঙথোক্লবগীদমক্তা টেররিষ্ট আউটফিট অমদা সেল পীরি হায়নসু মরাল শীখি। ৱাজিরাবাদতা ইমরান খানদা এটেক চথুখিবা মতুংদা মহাক্কী সেফতিগীদমক্তা খাইবর পাক্তুনখুৱাগী পুলিস পর্সনেল ৫০ না মহাকপু ঙাক শেন্দুনা লাক্লিবনি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না জনুৱারী ২২ দা পঞ্জাবকী ক্যের টেক্কর চীফ মিনিষ্টর এপোইন্ট তৌখিবা মতুংদা প্রোভিন্সিএল গভর্ণমেন্টনা জনুৱারী ২৪ দা কেপি গভর্ণমেন্টদা লেট্টর অমা থাদুনা খানগী সেক্যুরিটি লৌথোক্লবা খঙহনখি। কেপিটেলগী পুলিসকী স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোকখিবদা বানিগালা অসি হান্নগী পিএম অদুগী প্রাইভেট রেসিদেন্সনি। মহাক হৌখিবা থা কয়া অসি ইস্লামাবাদতা লৈখিদে। খাননা লৈত্রবা মতমদা ইস্লামাবাদ অমদি অতৈ প্রোভিন্সশিংগী পুলিস মফম অদুদা দিপ্লোই তৌবা য়াদে হায়না স্পোক্স পার্সন অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না ফ্রন্টিয়র কোর অমসুং কেপি পুলিসসু ৱিথদ্রো তৌখ্রে হায়না দেল্লি টাইমসকী রিপোর্টতা পনখি। পিটিআইগী লিদর সিবলি ফোরাসনা মেদিয়াদা পাউ অদু কনফার্ম তৌরদুনা খানগী সেক্যুরিটি লৌথোকপগী লেট্টর অমা পঞ্জাব গভর্ণমেন্টদগী ফঙলে হায়খি।

# পেরুগী প্রসিদেন্টনা কংগ্রেসতা মীখল ঙন্না পাঙথোকপগী ৱাফম এপ্রুভ তৌনবা তকশিনখ্রে

লিমা, জনুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

পেরুদা লেপ্তুনা চথরক্লিবা প্রোটেষ্টশিং অদুদগী লৈবাক অসিবু কনবা ঙম্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী জেনরেল ইলেক্সন খরা ঙনখৎনা কুমজা ২০২৩ গী দিসেম্বরদা পাঙথোকপগী ৱাফম য়াননবা পেরুবিয়ন প্রসিদেন্ট দিনা বলৌটেনা কংগ্রেসতা তকশিনখ্রে।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি গভর্ণমেন্টনা অহানবদা হান্না লেপখিবা কুমজা ২০২৬ কী মহুত্তা কুমজা ২০২৪ গী এপ্রিলদা মীখল পাঙথোক্লবা প্রপোজ তৌখি। প্রপোজেল অদুমক কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বরদা লেজিসলেচরনা এপ্রুভ তৌখ্রবনি। লো মেক্করশিংগী মরক্তা মীখল অমক্তা হেন্না ঙনখৎনা কুমজা ২০২৩ গী দিসেম্বরদা পাঙথোক্লবা তকশিনবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা লাক্লিবা ফেব্রুৱারীদা হিরম অসিগী মতাংদা কংগ্রেসতা দিবেট অমা পাঙথোক্লগনি। কন্সটিট্যুস্নেল রিফোর্মগী ৱাফম ওইবনা অনৌবা প্রপোজেল অদু পাস তৌবদা য়ামদ্রবদা লো মেক্কর ৮৭ না মদুবু শৌগৎপা মথৌ তাই।

পেরুদা চথরক্লিবা প্রোটেষ্টশিং সিটি কয়াগী লম্বীশিংদা ভাইওলেন্স হেনগৎলকপা উরে হায়না পল্লদুনা বলৌটেনা ইরাই নুমিত্তা হায়খি, মদুদি মীখলগী মতম চহী অসিগী অথেংবা শরুক্তা লেপ্তুনা খরা ঙনখৎহনবা অসিনা পেরুবু হৌজিক লৈরিবা লাকশিনবদা ৱারবা ফিভম অসিদগী কনবদা মতেং পাঙগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি কনামত্তনা পৱার পায়দুনা লৈবা পামদে। দিনা বলৌটে মশামক মখা তানা প্রসিদেন্সি পায়দুনা লৈবা পামদে। কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ৭ তা হান্নগী প্রসিদেন্ট পেদ্রো কাষ্টিলোবু মফমদগী চিংথুখিবা মতুং বলৌটেনা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী পেরুদা পোলিটিকেলগী অকনবা ইরাং লাকখিবনি। কাষ্টিলোনা লেজিসলেচর মুখৎনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবগা লোয়ননা খোঙথাং অদুগী মতুং পুং খরগী মনুংদা পেরুবিয়ন কংগ্রেসনা কাষ্টিলোবু ইম্পিচ তৌখি। মদুগী মতুংদা মহাক সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা দিটেন তৌখি।

প্রোটেষ্টরশিংগী দিমান্দশিংগী মনুংদা মীখল ঙন্না পাঙথোকউ অমসুং কাষ্টিলোবু কষ্টদিদগী থাদোকউ হায়বা য়াওরি। প্রোটেষ্টরশিংগী ইরাংদা হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৬ শিখ্রবনি। মখা তানা লৈবাক অসিদা প্রোটেষ্ট চথরি। প্রোটেষ্টশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা গভর্ণমেন্টনা কা হেন্না ফোর্স শীজিন্নৈ হায়নসু মায়কৈ কয়াদগী মরাল শীদুনা লাক্লিবনি।

# ব্লেক নুপা অমা পুলিসনা ফুবগী ফুটেজ রিলিজ তৌবদগী য়ুএসতা পাক শন্না প্রোটেষ্ট চথখ্রে

ৱাশিংতন, জনুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

য়ুএসকী মেম্ফিসতা হান্নগী পুলিস ওফিসর মঙানা অফ্রিকন-অমেরিকন নুপা অমা তমথীনা ফুবগী ভিদিও ফুটেজ অমা রিলিজ তৌরকপদগী লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাক শন্না প্রোটেষ্ট চথখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতুং নুমিৎ মরিনি লৈরগা পুলিসকী কা হেনবা থৌওংগী ভিক্তিম অদু শিখি হায়রি।

অফ্রিকন-অমেরিকনশিং ওইরিবা পুলিস ওফিসরশিং অদুনা জনুৱারী ৭ তা মশাগী চহী ২৯ শুরবা ভিক্তিম টায়র নিকোস্কোবু টর্ন নাইনা কাউবা অমদি কিন্না থিনবগী শক্তমশিং ফুটেজ অদুদা উখি।

পুলিসনা তমথীনা ফুখিবা মতমদুদা ভিক্তিম অসিনা কপ লাউদুনা মমা কৌখি হায়না বিবিসিগী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু ট্রাফিক ষ্টোক অমদা থোকখিবনি। ইরাই নুমিত্তা মেম্ফিস পুলিস দিপার্টমেন্টনা গ্রাফিক ভিদিও মরি রিলিজ তৌখি। ভিদিওশিং অদু পুল্লপনা পুং ১ দগী হেন্না শাংবা ফুটেজ ওইখি। অহানবা ভিদিও অদুদা ওফিসরশিংনা নিকোলসপু মহাকপু গাড়ীদগী চিংথোকপা অমদি মঙোন দা লৈমায়দা লৈননবা লাউশিনবা উখি। ভিদিও অদুদা নিকোলসনা মহাক করিসু তৌবা লৈখিদে হায়না ওফিসরশিংদা খুন্বা উখি। ওফিসরশিংনা মহাকপু লৈমায়দা উপ্পগা লৈনবা খঙহনখি। সেকেন্দ খরগী মনুংদা ওফিসরশিংদুগী মনুংদা অমনা ভিক্তিম অদুদা টাসের অমা কাপখি। মদুদা মহাক্কী মশা অদু খঙচোং চোংখৎলক্তুনা মফম অদুদগী চেন্নবা হোৎনখি। তোঙানবা সিসিটিভি কেমেরাগী ফুটেজ অমদা ওফিসরশিংনা নিকোলসপু রেসিদেন্সিএল এরিয়া অমদা ফারবা মতুংদা ফুবগী শক্তম উবা ফঙখি। ওফিসর অনীনা মহাকপু মখাদা লাকথুখি অমসুং অতৈ ওফিসরশিংনা টর্ন নাইনা কাউখি অমসুং কিন্না থিনখি।

মসিদা নত্তনা মহাকপু মখোয়না এক্সপান্দ দেবল বেট্টন অমনসু কনখি। ওফিসরশিংদুনা নিকোলসপু লৈমায়দা চিংদুনা পুখি অমসুং পেট্রোল কার অমদা ঙাথরগা লৈহনখি অমদি মখা তানা ফুখি।

# সাউথ অফ্রিকা, রসিয়া, চাইনাগী নেভেল দ্রিলগী মতাংদা ইয়ুনা নুংনাংবা উৎখ্রে

ব্রাসেলস, জনুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

সাউথ অফ্রিকানা রসিয়া অমসুং চাইনাগা লোয়ননা নেভেল এক্সর্সাইজ পাঙথোক্লবা লৌরক্লিবা ৱারেপ ইয়ুনা ইকায় খুন্নরবসু হেন্না পান্বদি অসিগুম্বা জোইন্ট এক্সর্সাইজশিংদা সাউথ অফ্রিকানা শরুক য়াদবা অদুনি হায়না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী হাই রিপ্রজেন্টেটিব ফোর ফোরেন এফিয়র্স জোসেফ বোরেলনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



লাক্লিবা ফেব্রুৱারীদা পাঙথোক্নদবা মিলিটরি মেনুবরশিং অদুগী মতাংদা ইয়ুগী ফিরেপ খঙহন্দ্রিঙৈগী মাঙওইননা বোরেলনা হায়খি, মদুদি য়ুরোপিয়ন কনফ্লিক্ট অসি শুপ্পগী য়ুরোপকী ওইবা লান নত্তে। মসি য়ুরোপকী লমদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবনি। তৌইগুম্বসুং লান অসিনা শোকহল্লিবদি মালেম পুম্বদনি। লান অসিগী চৈথেং মালেম পুম্বনা নঙলি।

বোরেলনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না মতম চুপ্পদা সাউথ অফ্রিকাগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা ফোরেন পোলিসিগী মতাংদা নন-এলাইনমেন্টগী ফিরেপ অসি শৌগৎতুনা লাকখি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না সাউথ অফ্রিকাদা কনফ্লিক্ট অমগা মরী লৈননা নাকল অনীগী মীচং ওইনবা হায়বা লৈতে। ঐখোয়না মালেমগী লৈবাক পুন্নমক্তা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী চার্টরগী মায়কৈদা লেপ্পনবা তকশিনবা খক্তনি।

ৱাফমশিং অসি পিটোরিয়াদা সাউথ অফ্রিকাগী ফোরেন এফিয়র্স মিনিষ্টর নালেদি পান্দোরগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি। বোরেলগী মতশিং অদুগী মতাংদা পল্লদুনা পান্দোরনা করিগীদমক্তা কনামত্তনা সাউথ অফ্রিকানা ফ্রান্স নত্ত্রগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকুম্বা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মিলিটরি এক্সর্সাইজশিংগী মতাংদদি য়ানিংদবা উৎখিদবনো হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, সাউথ অফ্রিকা আর্মদ ফোর্সেসনা মখোয় লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা সমুদ্র মপানগী মনাক্তা ফেব্রুৱারী ১৭ অমসুং ২৭ কী মরক্তা 'মোসি এক্সর্সাইজ'শিং পাঙথোক্কনি হায়না চয়োল অমগী মমাঙদা লাউথোকখিবনি।

দ্রিলশিং অদুদা চাইনিজ পিপলস লিবরেসন আর্মিগী নেভি অমসুং রসিয়ন ফেদরেল নেভিসু য়াওগদৌরিবনি। নেভেল মেনুবরশিং অদু পাঙথোকপদা অকায়বা অমত্তা লৈতে হায়না পনবগা লোয়ননা পান্দোরনা সাউথ অফ্রিকানা করম করম্বা লৈবাকশিংগা মরী থমগদগে হায়বসি নিংতম্না ৱারেপ লৌই হায়নসু ফোঙদোকখি।

চয়োল অসিদা রসিয়াগী ফোরেন এফিয়র্স মিনিষ্টর সর্গি লাভরোবনা সাউথ অফ্রিকাগী খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিঙৈদা মহাক্না ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

# য়ুক্রেনগী সিটিদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথুখিবা ষ্ট্রাইক্তা মীওই ৩ শিখ্রে

কিভ, জনুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

রসিয়ন ফোর্সশিংনা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা সিটি কোষ্টিয়ান টিনিবকাগী মী তাবা মফম অমদা চথুখিবা এটেক্তা মীওই অহুম শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই অনী অশোক অপন নঙখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা রিজনেল গভর্ণরনা ফোঙদোকখ্রে।

রিজনেল গভর্ণর পাব্লো কিরিলেনকোনা টেলিগ্রাম মেসেজিং এপতা ইরদুনা হায়খি, মদুদি রসিয়ন ফোর্সশিংগী ষ্ট্রাইকতা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং মরি অমসুং হোটেল অমা অমাঙ অতা থোকখ্রে। রেস্ক্যু ৱার্করশিং অমসুং পোলিটিকেল ওফিসলশিং মফম অদুদা চঙশিন্দুনা রসিয়ন ওক্যুপায়রশিংনা চথরক্লিবা ক্রাইম অদু য়েংশিনখি।

হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথুখিবা ষ্ট্রাইকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিখ্রে অমসুং তরেৎনা অশোক অপন নঙলে হায়না থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা কিরিলেনকোনা লাউথোকখিবনি। য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা ভিদিও এদ্রেসকী খুথাংদা মীয়ামদা ফ্রন্টলাইনগী ফিভম হৌজিকসু মখা তানা য়াম্না লুনা লৈ হায়খি। মহাক্কী মতুং ইন্না রসিয়ানা হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারীদা য়ুক্রেনদা মপুং ফানা লান্দাবা হৌখিবদগী রসিয়ন ফোর্সশিংনা ওফেন্সিব কনশিল্লক্লিবা ইষ্টর্ন দোনেটস রিজনগী লানগী ফিভম লুনা লৈরি।

অমরোমদা, মোস্কোনা লাটবিয়াগী এম্বেসেদর মারিস রেকষ্টিন চয়োল অনীগী মনুংদা রসিয়া থাদোক্তুনা চৎননবা খঙহনখ্রে হায়না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি রসিয়ন-লাটবিয়ন দিপ্লোমেটিক মরীগী লেভেল হন্থহন্নবা লাটবিয়ানা লৌখিবা ৱারেপ য়ানিংদবা উত্তুনা লাটবিয়ন চার্জ দি এফিয়র্স দাস রুটকাবু মিনিষ্ট্রি অসিনা সম্মন তৌখি। লাটবিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর ইদগার রিনকেবিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী লৈবাক্না রসিয়াদা লৈরিবা এম্বেসেদর কৌথোকপগা লোয়ননা রসিয়াগা লৈনরিবা দিপ্লোমেটিক মরীগী লেভেল হন্থহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

# য়ুএস অমসুং ইন্দিয়াগী দিপ্লোমেটিক কন্সলটেসন পাঙথোক্লগনি

ৱাশিংতন, জনুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

পোলিটিকেল এফিয়র্সকী চার্জ পায়রিবা য়ুএস দিপ্লোমেট ইন্দিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎতুনা ন্যু দিল্লিদা এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্ট্রিগা কন্সলটেসন চথরগনি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোক-খিবদা খোঙচৎ অদুদা অন্দর সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর পোলিটিকেল এফিয়র্স ভিক্তোরিয়া নুলাননা চহীগী ওইবা ফোরেন ওফিস কন্সলটেসন অদুদা য়ুএস দেলিগেসন অদু লিদ তৌগনি। কন্সলটেসন অদু বাই লেটরেল, রিজনেল অমসুং গ্লোবেল ইস্যুশিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী ইস্যুশিং কোনগনি।

য়ুএস দিপ্লোমেট অসিনা নহা ওইরিবা টেক লিদর কয়াসু উন্নগনি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। মহাক্কী ইন্দিয়া খোঙচৎ অদু থাংজ নুমিত্তগী হৌগদৌরিবা অমদি চয়োল অমা চুপ্না চথগদৌরিবা এসিয়াগী খোঙচৎ অমগী শরুক্নি। খোঙচৎ অদুদা মহাক্না নেপাল, শ্রী লঙ্কা অমসুং কাটারদসু চৎকনি। শ্রী লঙ্কাগী খোঙচৎ মনুংদা মহাক্না ঈথৎ লৈবাক অদুগী শেল থুমগী ফিভম ষ্টেবল ওইহন্নবা কলম্বোনা হোৎনরিবা অদুবু ৱাশিংতন্না শৌগৎপগা লোয়ননা হ্যুমেন রাইটস প্রোটেক্সন অমদি য়ান্নদবা ৱাফমশিং শন্দাইনদুনা লৈখায় তাহনবদা মতেং পাঙগনি হায়বা ৱাফমশিং অসি খঙহনগনি।

শ্রী লঙ্কাগী খোঙচৎ অদু লৈবাক অসিদা য়ুএসকগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক মরী লিংখৎখিবা চহী ৭৫ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

নেপালদা নুলাননা হৌখিবা থাদগী ওফিস পায়রকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর পুস্পা কামল দহালগী অনৌবা গভর্ণমেন্টগা ইনগেজ তৌদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা পার্টনরশিপকী এজেন্দাগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। টালিবান রেজিমগা মরী লৈননা ইন্টরনেসনেল দিপ্লোমেসিদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা কাটারগী খোঙচৎ অসিসু পোলিটিকেল এফিয়র্সকী অন্দর সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটকী খোঙচৎ অসিদা য়াম্না মরু ওই হায়না লৌনরি।

# হৌথি মিলিসিয়ানা গভর্ণমেন্ট ট্রুপশিংদা এটেক তৌবদা মীওই নিপান শিখ্রে

অদেন, জনুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

হৌথি ফাইটরশিংনা য়েমেনগী খা থংবা প্রোভিন্স লাসদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মিলিটরি সাইটশিংদা চথুখিবা এটেক্তা য়ামদ্রবদা মীওই নিপান শিখ্রে হায়না লোকেল মিলিটরি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।



মশক মমিং তাকথোক্তবা ওফিসল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হৌথি ফাইটর কাঙবু অমনা এটেক তৌদুনা গ্রাউন্দদা মখা তানা চঙশিন্দুনা লাস প্রোভিন্সকী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌবা মরু ওইবা মফমশিং পায়শিন্নবা হোৎনরকখি।

হৌথিশিংগী এটেক অদুনা মরম ওইদুনা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্নরকখি। মদুদা য়ামদ্রবদা রেবেল মঙা অমসুং গভর্ণমেন্ট লান্মী অহুম শিখি।

নাকল অনীগী মরক্তা পুং কয়া চুপ্না কন্না লান শোক্নরবা মতুংদা রেবেল ফাইটরশিং অদু মফম অদুদগী হন্দোকখি হায়না ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি। এটেক অদুগী মতুংদা হৌথি মিলিসিয়াগী অহেনবা ফোর্সশিং য়ুমথংনরিবা প্রোভিন্স টাইসতগী য়েমেনি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মিলিটরি বেজ কয়া লৈরিবা লাসকা নক্নবা মরু ওইবা মফমশিংদা থাজিল্লকখি হায়নসু ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়েমেনগী লানদা শরুক য়ারিবা পার্টিশিংনা কুমজা ২০২৩ দা মখোয়গী কনফ্লিক্ট হেন্না কনশিলহন্নবা শেম শারক্লি হায়না থা অসিগী অঙনবদা লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। লৈবাক অদুদা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা মরু ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা ইঙম ঙল্লক্তবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তগা লান কনশিল্লকপা য়াবগী ফিভম অসি লাক্লিবনি।

য়ুএননা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা সিজ ফায়র হৌখিবা চহীগী ওক্তোবরদা লোইশিনখ্রবা মতুংদা য়েমেনগী মফম কয়াদা লোকেল ফেক্সনশিংগী মরক্তা তোইনা খুৎ থোক্নরকখিবনি।

IN THE FAMILY COURT IMPHAL EAST, MANIPUR
AT LAMPHELPAT

**Matrimonial (Declaration) Suit No. 33 of 2022**

**Kshetrimayum Archana Devi**, aged about 39 years, D/o (L) Ksh. Momon Singh and wife of Late Thokchom Sushil Singh, resident of Singjamei Thongam Leikai, P.O & P.S-Singjamei Imphal West District, Manipur at present at Wangkhei Konsam Leikai, P.O. & PS-Porompat, Imphal East District, Manipur

**..... Plaintiff**

-Versus-

1. Kshetrimayum Johnson Singh S/o (L) Ksh. Momon Singh, aged about 50 years, resident of Wangkhei Meihoupham Lampak, P.O & P,S-Porompat, Imphal East District, Manipur.
2. Kshetrimayum (N) Thingujam (O) Kalpana aged about 44 yrs W/o Thingujam Gobind Singh, resident of Singjamei Thongam Leikai, P.O & P.S-Singjamei, Imphal West District, Manipur

**..... Defendants**

**To,**

All the interested person(s),

Whereas, the above named plaintiff have filed a suit against you u/s 34 of the Specific Relief Act r/w Sec 7(1) Ex (b) of the Family Court Act, 1984 praying for declaring that the plaintiff is the only widow and unemployed daughter of (Late) Kshetrimayum Momon Singh and (Late) Chandam (N) Kshetrimayum (O) Indrani Devi; all the interested persons are hereby summoned to appear before this Court on 10-02-2023 at 10:30 am either in person or by a pleader duly instructed and able to answer all the material questions relating to the case and to file written objection if any.

Take notice that in default of your presence of your appearance on the mentioned date and time, the case will be heard and determined in your absence,

Sealed and signed by the Order of the Court on this **21st day of January, 2023.**

By : G. Chhital
Advocate

Sd/- **Sr. Sheristadar**
Family Court, Imphal East, Manipur

HL-P/5696/28,29

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
IMPHAL : MANIPUR

**NOTICE**

Imphal, the 28th Jan., 2023

**No. B/ 2885/ 2014-RIMS/2928:** A walk-in-interview will be held on 3rd Feb., 2023 at 3.00 P.M. in the Conference Room of Director's RIMS, Imphal for engagement of suitable person as Assistant Professor/Lecturer (Speech Language Pathology, Speech Language Sciences, Audiology) for BASLP Programme, RIMS, Imphal on contract basis for a period of 6 (six) months initially, extendable on satisfactory performance. Interested candidates having the qualification, experience and within the upper age limit as shown against the job may attend the Walk-in-interview on submission of an application enclosing their bio-data. The candidates have to produce their original certificates, testimonials before the Selection Board.

The candidates are required to report before 1 hour i.e. 2:00 P.M.

| Sl. No. | Post | Consolidated pay | No. of post | Qualification and experience | Upper age limit |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Professor/ Lecturer (Speech Language Pathology, Speech Language Sciences, Audiology) | Rs. 43,750/- p.m. | 1 no. | 1. Master's degree with 55% marks in the discipline mentioned above or its equivalent.<br>**Desirable:**<br>i. Minimum 6 months research/ teaching experience<br>ii. Publication in National and international Journal of repute. | 40 years |

**Sd/- Naorem Indrakumar Singh**
Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences,
Imphal

HL-B/7996/29